**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 04-05-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য মরি অমসুং পুদুচেরি য়ুনিয়ন তেরিতোরি বিধান সভা মীখলদা বি.জে.পিনা অসাম অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলদা, তামিলনাদুদা তামিলাগা ভেট্রি কজাগমনা, কেরলাদা ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসনা অমসুং পুদুচেরিদা এন.দি.এনা মায় পাক্লে।

২) নোংচুপ বেঙ্গলদা অহানবা ওইনা বি.জে.পিনা সরকার শেম্লগনি, তামিলনাদুদা মুখ্য মন্ত্রি এম.কে. ষ্টেলিন মায়থিহৌরে।

৩) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- রাজ্য অসিদা নেসনেল রেজিষ্টর ওফ সিতিজন (এন.আর.সি) চৎনহন্নবগী মতাংদা সরকারনা কমিতি অমা শেম্লগনি।

৪) লৈবাক শিনবা থুংনা চয়োল অমা চথুগদবা ফয়ার সেফতি ৱিক পালন ঙসিদগী হৌখ্রে। মণিপুরদসু ঙসিদগী হৌখ্রে।

অমসুং

৫) য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা শান্ন-খোৎনবগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা পান্দমদা ঙসি খুমন লম্পাক হোক্কি ষ্টেদিয়মদা মরুওইবা থৌশিলশিং হৌদোকখ্রে।

------

মীখল ঃ রাজ্য মরি অমসুং পুদ্‌চেরি য়ুনিয়ন তেরিতোরি বিধান সভা মীখলদা বি.জে.পিনা অসাম অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলদা, তামিলনাদুদা নৌনা থোরকপা দল তামিলাগা ভেট্রি কজাগম (টি.ভি.কে)না, কেরলাদা ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসনা অমসুং পুদুচেরিদা এন.দি.এনা মাংজিল থানা চৎলি।

অসামগী অপুনবা সিট ১২৬ কী মনুংদা ১২৩ ভোৎ মশিং থিবদা সরকার পায়রিবা বি.জে.পিনা সিট ৬৪ কারে, ১৮ দা মাংজিল থানা চৎলি। কংগ্রেসনা সিট ৫ কারে, ১৪ দা মাংজিল থারি। বোরোলেন্দ পিপলস ফ্রন্টনা সিট ৭ ফংলে, ৩ দা মাংজিল থারি। এ.জি.পিনা ৫ কারে, সিট ৫ দা মাংজিল থারি। এ.আই.য়ু.দি.এফনা ১ কারে, ১ দা মাংজিল থারি।

অসামদা অহুম্লক শুবা টার্ম ওইনা বি.জে.পিনা লুচিংবা এন.দি.এনা অমুক হন্না সরকার পায়রগনি। মুখ্য মন্ত্রি হিমন্তা বিশ্বাস শর্ম্ম জালুকবারি বিধান সভা কেন্দ্রদগী অমুক হন্না মায় পাক্লে। কংগ্রেস লুচিংবা গৌরব গোগোই জোরহাৎ বিধান সভা কেন্দ্রদা বি.জে.পিগী মীরেপ হিন্তেদ্রনাথ গোসস্বামিগী মখুৎতা মায়থিহৌরে। গৌরব গোগোইনা পুন্না ভোৎ লিশিং ৪৬,২৫৭ ফংবদা গোস্বামিনা ভোৎ লিশিং ৬৯,৪৩৯ ফংখি।

নোংচুপ বেঙ্গলদা সিট ২৯২ গী ভোৎ মশিং থিবদা বি.জে.পিনা ৫৫ কারে, সিট ১৪৯ দা মাংজিল থারি। সরকার পায়রিবা ত্রিনামুল কংগ্রেসনা ২৪ কারে, সিট ৫৯ দা মাংজিল থারি। কংগ্রেসনা ১ কারে, সিট ১ দা মাংজিল থারি। সি.পি.আই(এম)না সিট ১ দা মাংজিল থারি।

মীখল অসিদা বি.জে.পিনা চাউনা মায় পাক্কুনা সরকার শেম্লগনি। ভারতনা নীংখা তম্লবা মতুংদা অহানবা ওইনা বি.জে.পিনা রাজ্য অসিদা সরকার শেম্লগনি। হন্দক্কী মীখল অসিদা চহি ১৫ শক্তি পায়রম্লবা ত্রিনামুল কংগ্রেসপু বি.জে.পিনা মায়থিবা পীরম্বনি। মুখ্য মন্ত্রি মমাতা বেনর্জি বভানিপুর বিধান সভা কেন্দ্রদা মাংজিল থানা চৎলি।

তামিলনাদুগী অপুনবা সিট ২৩৪ গী মনুংদা হৌজিক সিট ২২৩ গী ভোৎ মশিং থিরি। মসিদা তামিলাগা ভেট্রি কজাগমনা সিট ৩৯ কারে, সিট ৬৯ দা মাংজিল থারি। সরকার পায়রিবা দি.এম.কেনা সিট ১৭ ফংলে, ৪৪ দা মাংজিল

থারি। এ.আই.এ.দি.এম.কেনা ১৫ কারে, ২৯ দা মাংজিল থারি। পি.এম.কেনা ১ কারে, ৪ দা মাংজিল থারি। কংগ্রেসনা সিট ১ ফংলে, ৪ দা মাংজিল থারি।

তামিলনাদুদা ফিলম এক্তর জোসেফ বিজয়না লুচিংবা টি.ভি.কেনা রাজ্য বিধান সভা মীখলদা খ্বাইদগী মশিং য়ামা কাবা দল ওইদুনা ইতিহাস শেম্লে। কোলাথুর বিধান সভা কেন্দ্রদা মুখ্য মন্ত্রি এম.কে. ষ্টেলিন টি.ভি.কেগী মীরেপকী মখুৎতা মায়থিবা নংহৌরে। এম.কে. ষ্টেলিননা ভোৎ লিশিং ৭৪,২০২ ফংবদা টি.ভি.কেগী ভি.এস. বাবুনা ভোৎ লিশিং ৮২,৮৯৭ ফংখি।

কেরলাদা সিট ১৪০ গী মনুংদা ১২৬ কী ভোৎ মশিং থিবদা কংগ্রেসনা সিট ৬৩ ফংলে। সি.পি.আই(এম)না সিট ২৫ কারে, ১ দা মাংজিল থারি। আই.য়ু.এম.এলনা ২২ কারে। সি.পি.আইনা ৮ কারে। কেরলা কংগ্রেসনা ৭ কারে ।

রাজ্য অসিদা কংগ্রেসনা লুচিংবা য়ুনাইতেদ দেমোক্রেতিক ফ্রন্টনা সরকার পায়রিবা লেফট দেমোক্রেতিক ফ্রন্টপু মায়থিবা পীবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে। কংগ্রেসকা চুংশিন্নরিবা আই.য়ু.এম.এলনা সিট ২২ ফংলে।

সিট ৩০ লৈবা পুদুচেরি বিধান সভা মীখলদা সিট ২৬ গী ভোৎ মশিং থিবদা এ.আই.এন.আর.সিনা সিট ৯ ফংলে, ৩ দা মাংজিল থারি। দি.এম.কেনা ৪ কারে, ১ দা মাংজিল থারি। বি.জে.পিনা ৩ কারে, ১ দা মাংজিল থারি, ইন্দিপেন্দেন্ট ৩ কারে, টি.ভি.কেনা ২ অমসুং কংগ্রেসনা ১ কারে।

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- রাজ্য অসিদা নেসনেল রেজিষ্টর ওফ সিতিজন (এন.আর.সি) চৎনহন্নবগী মতাংদা সরকারনা কমিতি অমা শেম্লগনি।

ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা, অসাম অমসুং নোংচুপ বেঙ্গল মীখলদা বি.জে.পিনা চাউনা মায় পাক্লকপদা নুংঙাইবা ফোংদোকপগী থৌরম য়াওবা লাকপদা পাউমীশিংনা এন.আর.সিগী মতাংদা

হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা ৱাফম অসি মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- এন.আর.সি তৌবা মতমদা কদাইদা করি শোইগদগে হায়বা কুপা খনবা চংই। মহাকা হায়- মণিপুর বিধান সভানা এন.আর.সিগী মতাংদা রিজোলুসন লৌরম্লবসু খুদোংচাদবা কয়াদগী মসিগী থবক থৌরম হৌরমদে। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- য়ামা চেকশিন্না কদাইদা করি শোইখিগদগে হায়না মসিগী মতাংদা য়েংশিনবা চংই।

এনআরসি (এল)ঃ মণিপুরদা এন.আর.সি মতমগা চুননা শেমদোকপা হায়বসিগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ইন্তেলেকচুয়েল একচেঞ্জ প্রোগ্রাম অমা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী আর্থ সাইন্স দিপার্টমেন্টকী সিনেট হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু এমসু হেদক্বাটরনা মুসুগা খুৎশমনা শিনবনি। থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সন কয়ানা হিরম অদুগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

ফয়ার ঃ লৈবাক শিনবা থুংনা ঙসিদগী ফয়ার সেফতি ৱিক পালন হৌখ্রে। থা অসিগী ১০ ফাওবা চথ্নগদবা চয়োল পালন অদু কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রালয়গী সেক্রেতরি পুন্যা সালিলা শ্রীভাস্তবনা হৌদোকখি। চয়োল পালন অসিগী কুমশিগী থিমদি- সেফ স্কুল, সেফ হোস্পিতাল এন্দ ফয়ার সেফতি এৱারনেসন সোসাইতি- টুগেদর ফোর ফয়ার প্রিভেন্সন হায়বসিনি। থৌরম অদুদা ফয়ার এন্দ লাইফ সেফতি হায়বসিগী গাইদলাইন অমসু ফোংখি।

মণিপুরদা থৌরম অসি হেলথ সার্ভিসেসকী দাইরেক্তরনা সভাপতি ওইদুনা লমফেলপাৎ ইম্ফালদা লৈবা নেসনেল হেলথ মিসনগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেসকী ওফিসার অমসুং ষ্টাফশিং অমদি নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরগী ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি। মদুদা চয়োল পালন অসিগী ৱাশকসু লৌখি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- ফয়ার সেফতি ৱিক অসি হকশেল বিভাগকী ওইনা ঙসিদগী হৌরগা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালশিংদা ফয়ার সার্ভিসেস বিভাগকা লোয়ননা মথং মথং পাঙথোক্কনি। মসিদা মরুওইনা হোস্পিতালশিং মৈহৌ

লাংপোক থোরকপা মতমদা চেকশিন লৌখৎনবা অমদি মৈ চাকপা কন্নবা খুৎলায়শিংগী মতাংদা হেন্না খঙহন্নবনি। পালন থৌরম অসি হয়েং চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা পাঙথোক্কনি।

রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালদসু চয়োল পালন অসি ঙসি পাঙথোকখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মৈহৌ লাংপোক থোরকপা মতমদা হকশেলগী লমদা থবক তৌরিবশিংনা লৌখৎপদবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মতাংদা হেন্না খঙহনবা, পোষ্টর শেম শাবা, ক্বিজনচিংবা থৌরমশিং পাঙথোক্কনি। আই.সি.য়ু, এন.আই.সি.য়ু, পি.আই.সি.য়ু অমসুং ওপরেসন থিয়েতরদা মথৌ তৌরিবা ষ্টাফশিংগী অখন্নবা ত্রেনিংশিং পাঙথোকখি।

কম্মিসন (এল)ঃ মৈনা চিংবদগী অশোক অপন নংলবা উখ্রুল জিলাগী কে. ভিলেজদগী চহি নৌরিবা নুপামচা অমগী অনা লায়েংবগী অচংবা শেনফম পুকমক পুথোকনবা মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাহল্ড রাইটসনা মণিপুর ষ্টেট পৱার কম্পনি লিমিতেদতা খঙহনখ্রে।

কম্মিসন অসিগী চেয়ারপার্সন কৈশাম প্রদিপকুমারনা ঙসি পীখিবা দিরেক্তিভ অমগী মতুংইন্না শোক্লবা নুপামচা অসিগী ইমুং মনুংদা খুদক্কী ওইবা ইন্তরিম রিলিফ, ক্ষেতিপুরন্নচিংবা পীননবা ৱাফমসু খঙহল্লি। কম্মিসন অসিনা মখা তানা হায়- নুপামচা অসি মমাং থাগী ২২ দা মৈনা চিংবগী লাইবক থিবা থৌদোক অদু নংখিবনি। রিমস হোস্পিতালনসু শোক্লবা নুপামচা অসিবু নিংথিনা লায়েংনবা অমদি পুং ৪৮ গী মনুংদা মহাক্কী লৈরিবা হকশেলগী ফিভম খঙহল্লকবা হায়রি।

স্কুল (এল)ঃ মণিপুরদা থোক্লিবা কাংলুপকী ইরাং চহি অহুম শুরক্লবা অসিগী য়েংলগা থৌবাল জিলাদা লৈবা লনাইগী হায়র সেকেন্দরি স্কুল খুদিংমক্তা চহি অসিগী ওইনা ক্লাস এলেভেনগী এদমিসন ফি লৌররোই। ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা প্রাইভেট স্কুলস দিভলপমেন্ট কাউন্সিল থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট শলাম জোতিন সিংহনা হায়- কাউন্সিল অসিনা কুপা খন্নরবা মতুংদা

লৈবাক্কী ওইরক্লিবা অমদি চহি অহুম চরাংনরকপা অসিনা মরম ওইরগা ফিরেপ অসি লৌরকপনি। ইরাং অসিনা মরম ওইরগা শেনমিৎলোনদা মতম শাংনা মনিং হল্লকপা অমদি মহৈরোইশিংদা রাইট টু ইজকেসন ফংলক্তবা য়াবগী ফিভমশিং লাকপদগী দিভলপমেন্ট কাউন্সিল অসিগী মখাদা লৈবা স্কুলশিংদা ক্লাস এলেভেনগী মীং চনবদা মীংজন শেন লৌদনবা ৱারেপ অসি লৌবনি।

থাইলেন্দ (এল)ঃ ক্বাকৈথেল হৈনৌ খোঙনেম্বীদা লৈবা পিতম্বরা ইংলিস স্কুলদা হয়েংদগী হৌরগা থা অসিগী ৮ ফাওবা চত্থগদবা লেঙ্গুএজ এন্দ কলচরেল একচেঞ্জ প্রোগ্রামদা শরুক য়াগদবা থাইলেন্দগী বেঙ্কোকতা লৈবা স্বান দুসিত য়ুনিভর্সিতিগী মীওই ৯ না শাবা মীহুৎ কাংবু অমা ঙসি ইম্ফালদা থুংলরে।

জিরিবাম (এল)ঃ বাইওলোজিকেল দাইভরসিতিগী লৌশিং গ্যান মহৈরোইশিংদা হেন্না খঙহন্নবা পান্দমদা দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসরে, জিরিবাম ফোরেষ্ট দিভিজন্না শিন্দুনা খুদক্তা লাইয়েকপা চাংদমবগী থৌরম অমা ঙসি জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। চাংদমবা অদু মরুওইনা ক্লাস নাইনদগী তুয়েল্ভ ফাওবা তম্লিবা মহৈরোইশিংগীদমক্তা এক্তিং লোকেল্লি ফোর গ্লোবেল ইম্পেক্ট হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবনি। চাংদমবা অদুদা মহৈরোই ৫০ হেনবনা শরুক য়াখি।

নুপী (এল)ঃ কাংপোকপী জিলাগী চার হজারেদা চহি ৬৩ শুরবী নুপী অমা তমথিনা হাৎতোক্লবা মতুং লন থুমশিং হুরানখ্রে হায়রি। থৌদোক অদু ঙরাং নুমিদাং পুং ১০ রোম তাবা অদুৱাইদা চার হজারেদা লৈবা নুমিৎ অসিগী ময়ুমক্তদা থোকখিবনি। পাউ খরনা হায়- শকখঙদবশিংনা পুস্পা দেবী কৌবী নুপী অদুগী য়ুমদা চংলক্লবা মতুং মহাকপু হাৎলবা মতুংদা সনা লুপা য়াওনা লন

থুমশিং পুদুনা চৎখিবনি হায়রি। নপী অসি মহাক্কী মীমান্নদ্রবা মবুংগা লৈমিন্নবনি। থৌদোক থোকফমদা ঙসি সপরমৈনা পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমা চংশিন্দুনা থিজিনবগী থবক হৌখ্রে। লৈখিদ্রবা নুপী অদুগী হকচাং পোষ্ট মোর্টেমগীদমক পুখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর গোরখা ৱেলফ্যার য়ুনিয়ন্না মীহাৎ অসিবু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

গোবিনদাস ঃ য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা শান্ন-খোৎনবগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা পান্দমদা ঙসি খুমন লম্পাক হোক্কি ষ্টেদিয়মদা মরুওইবা থৌশিলশিং হৌদোকখ্রে। মন্ত্রিনা দাইরেক্তোরেট ওফ য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টসকী ই-ওফিস, আর.সি.সি এথলেটশিংগী দি.বি.টি সিষ্টেম, কে.আই.এস.সি.ইগী নৌনা শেমগৎলবা মফম, মতমগা চুনরবা মচাক মথুম য়াওবা ৱেথ লিফতিং হোলগী ষ্ট্রেঙ্ক অমসুং কন্দিসনিং রুম হৌদোকখি। মন্ত্রিনা কে.আই.এস.সি.ই, আর.সি.সি অমসুং দি.ৱাই.এস.ও ওফিসশিংগী বাইওমেত্রিক এটেন্দেন্সসু হৌদোকখি। মসিগী মথক্তা শান্ন-খোৎনবগী পোৎলম, কম্প্যুটর অমদি ফরনিচরগী পোৎলমশিংসু খুৎশিন্নখি।

থৌরম অদুদা মন্ত্রিনা শকাইরবা শান্নরোইশিংদা কমেন্দেসন সার্তিফিকেট অমসুং প্লেগ খুৎশিন্নখি।

তমেংলোং ঃ এম.এল.এ- জাংহেমলুং পানমৈনা ঙসি তমেংলোং জিলাগী মিনি সেক্রেতরিয়েট কমপ্লেক্সতা সিন্থেথিক ফুটবোল টর্ফ শানবা যাত্রা হুনখ্রে। প্রোজেক্ট অসি দিষ্ট্রিক্ট রুরেল দিভলপমেন্ট এজেন্সি তমেংলোংনা লুপা কোতি ৬ চংনা পায়খৎকদবনি। প্রোজেক্ট অসি এন.ঐচ.পি.সি লিমিতেদকী কোর্পোরেট সোসিয়েল রেস্পোন্সিবিলিতিগী মখাদা পায়খৎপনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এম.এল.এনা হায়- ১৩৩ কে.ভি নরাইলোং পৱার সবষ্টেসন থা অনিগী মনুংদা থবক তৌবা হৌরগনি। মসিগী মথক্তা তমেংলোং সহরগী রিংরোডশিং রিজিদ পেবমেন্ট থাবগী থবক চহি অসিগী

মনুংদা লোইশিল্লগনি। মহাকা হায়- জিলা অসিদা হৌজিক রিজিদ পেভমেন্ট থাবগী চাং চাদা ৮০ য়ৌদুনা অতৈ জিলাশিংদগী মাংজিল থানা চৎলি। মসি চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা চাদা চামা য়ৌরবা য়াই। শ্রী পানমৈনা হায়- তমেংলোং-মহুর অমসুং তমেংলোং-কাংচুপ লম্বী ইং ২০২৭ ফাওবদা শেম্বা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি। মসিগী মথক্তা ইম্ফাল-তমেংলোং (তামৈ-তমেংলোং) লম্বী শেমনবা লুপা কোতি ১৮০ পীবীনবা সরকারনা হায়জখিবা লৈরে। লম্বীশিং অসি লোইশিল্লবদি তমেংলোং অসি মণিপুরদা খ্বাইদগী চাউখৎপা জিলাশিংগী মনুংদা অমা ওইরগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

স্পোর্টস ঃ দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস থৌবালনা শিন্দুনা ঙরাংদগী থৌবালগী য়ুনিভর্সিয়েল ব্লুসু একাদমিদা চত্থরকপা অসমিতা ব্লুসু ৱিমেন্স সিতি লিগ ঙসি লোইশিনখ্রে। ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা কিলোগ্রাম ৫৬ কেতাগোরিদা লাইশ্রম ঙান্থোইনা সনাগী তকমান অদুগা থোঙাম লমঙানবীনা লুপাগী তকমান লৌখি।

কিলোগ্রাম ৫২ গী কেটাগোরিদা হিজম ইলিনানা সনাগী তকমান অমসুং লাংপোকলাকপম বিজয়াপতিনা লুপাগী তকমান লৌখি। কিলোগ্রাম ৪৮ গী কেটাগোরিদা থোকচোম লনচেনবীনা সনাগী অদুগা লাইশ্রমা নোরিকানা লুপাগী তকমান ফংখি।

কিলোগ্রাম ৪৫ গী কেটাগোরিদা এ.কে. রোসনি চনুনা সনাগী অদুগা মোইরাংথেম তমফাসনানা লুপাগী তকামান ফংখি।

ক্রিকেট ঃ ইন্দিয়ান প্রিমিয়র লিক (আই.পি.এল) ক্রিকেটকী মেটচ অমদা হৌজিক মুম্বাইগী ৱাংখরে ষ্টেদিয়মদা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকা লখনৌ সুপর জাইন্টসকা শান্নরি।

ঙরাং হাইদ্রবাদকী রাজিভ গান্ধি নেসনেল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা

কোলকাতা নাইট রাইদর্সনা সন রাইজর্স হাইদ্রবাদপু ৱিকেট ৭ তা মাইথিবা পীখ্রে। অহমেদবাদতা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা গুজরাত টাইতান্সনা পঞ্জাব কিংসপু ৱিকেট ৪ দা মাইথিবা পীখি।

------